ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

হুইয়েন লানপাউ

য়েলহৌমী কন্নবা বিল হাউসতা পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা খোঙজং শৌগৎপশিংনা লম্বী থিংনবা পৈশিল্লন্বা উ পুলিসনা লৌথোকপা

মীতোপ য়োকখৎপা বিল পাস তৌখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মিতম মৈ থাবগী শক্তম

য়েলহৌমী কনগদবা বিল পুথোক্তবা অমদি ৱাথোক অসি এসেমব্লিদা খন্নদববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা এম এল এ ৫৭কী মিতম থৌরী য়াল্লন্বগী শক্তম

জোইন্ট কমিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জীরিবাম সব-দিভিজনেল হেদক্বার্টরসতা ওইখিবা শক্তম

৩৯শুবা চহী, ১১৭শুবা মশিং | য়ুমশকৈশা, ঈঙেনগী ২২নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, July 08, 2015, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00

এসেমব্লী মীফম বোয়কোট তৌরে : জে সী

জেনরেল ষ্ট্রাইক লোইশিনখ্রে, ঙসি নুমীদাং মৈরা-খোঙচৎ চৎকদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীফমগী লেমহৌরিবা নুমীৎ হুন্নী জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস) না বোয়কোট তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ওফিসতা ঙসি নুমীদাংৱাইরম পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ইন-চার্জ খোমদ্রাম রতননা হায়খি, হৌখিবা জুন ২৯ দগী হৌদুনা চথরকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীফম অসিদা ঙসি ফাওবা য়েলহৌমী কন্নবগীদমক আই এল পিগী ৱাফম অসি খন্নবা লৈতে। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হৌখিবা এসেমব্লীগী মীফমদা য়েলহৌমী কন্নবা বিল পুথোকউ হায়রগা মীতোপপু য়োকখৎনবা মানবা, মীয়াম্না যাদবা বিল অমা পাস তৌখি।

মীয়াম্না যাদবা বিল অদুবু ৱিদ্রো তৌ হায়দুনা খোল্লাউ লাউরকখিবনি। মীয়ামগী খোল্লাউ অসি তাবীদুনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা এসেমব্লীগী মীফম অসিদসু হান্না পাস তৌখিবা বিল অদু ৱিদ্রো তৌরগা অনৌবা বিল অমা পাস তৌনবগী ৱাফম খন্ননবা মতম ফংবনি। অদুমকপু ঙসি ফাওবা এসেমব্লীগী মীফমদা য়েলহৌমী কন্নবা ৱাফম অমত্তা ফাওবা খন্নরক্তবা অসিনা ৱাংহৌরিবা নুমীৎশিংদসু খন্নরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে। ফীভম অসিনা লাক্কদবা নুমীৎ হুন্নী অসিদা চথুগদবা এসেমব্লীগী মীফম বোয়কোট তৌরে। বোয়কোট মনুং অসিদা জে সী আই এল পি এসনা মীয়ামগা লোয়নননা খোঙজং চঙশিন্ননবা শেম-শাবসু লৈরে।

য়েলহৌমী কন্ননবগী ৱাফম নাথৈরগা মতৌ করম্না চাউখৎ-থৌরাংগী মীংদা শেল কয়ামরুম কায়থোকসিগে হায়বগী ৱাফম খন্নদুনা লৈরে। মসিগীসু মথক্তা মীফম অসিদা কান্নদবা ৱাফম কয়া অমসু খন্নরি। ত্রিপুরাদা ত্রিপুরী মুৎখিবগুম মণিপুরদসু মণিপুরীশিং মুৎপা য়াবগী ফীভম অমা নক্না লৈরে হায়বা খঙনা খঙনা করিগুন্না ৱাফম অমত্তা খন্নদে। কুমজা ২০১১ গী সেন্সস মতুংইন্না ষ্টেটসিগী অপুনবা মীশিং লাখ ২৭ হেন্না লৈবগী মনুংদা মীওই লাখ ১০ হেন্না মীতোপ-মীয়ানচানা ওইখ্রবনি। ফীভম অসিনা য়েলহৌমীশিং মুৎপা য়াবগী মমি তারক্লবসু এসেমব্লী মীফমদা শরুক য়ারিবা এম এল এ ময়াম্না য়েলহৌমী কনবগী ৱাখল্লোন ফাওদে। য়েলহৌমী কন্ননবগীদমক মীয়াম্না পাল্লিবা ৱাফমশিং খন্নদুনা অনৌবা বিল অমা পুথোকপা ঙমদবদগী ফীভম লাকপসি খুন্নাইসিগী ওইনা লাইবক থীবনি।

য়েলহৌমী কঞ্জনবগীদমক মীয়াম্না পাল্লিবা ৱাফমশিং খন্নদুনা অনৌবা বিল অমা পাস তৌবা ঙমদবগী মায়োক্তা হয়েং নুমীদাং মণিপুর শিনবা থুংনা ইমাশিংনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎপীয়ু। খোঙচৎ অদুদা এসেমব্লী বোয়কোট তৌই, য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবা আই এল পি চৎনহল্লু, মীয়াম্না য়াবা অনৌবা বিল পাস তৌ, মশাগী মরমদম মজাতি কনবগী ৱাখল লৈত্রবশিংগী মায়োক্তা খোল্লাউ লাউবীয়ু, মজাতিবু ঙাকপী-শেনবীবগী ৱাখল ফাওদ্রবা মশাগীতা খল্লবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংবু পাড়া তম্বীবগী খোল্লাউ লাউরগা খোঙজং চঙশিনবীয়ু। লোয়ননা মীতোপশিংদা হেন্না কান্নবা তাংকী বিল অমা পাস তৌখিবা অদু ৱিদ্রো তৌদুনা য়েলহৌমী কঞ্জনবা অনৌবা বিল অমা পাস তৌ হায়দুনা জে সী আই এল পি এসনা কৌখিবা পুং ১৯ গী জেনরেল ষ্ট্রাইকতা মণিপুরগী মীয়াম্না শরুক য়াবীরকখিববু থাগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা জে সী আই এল পি এসকী কো কনভিনর আর্জুননা হায়খি, য়েলহৌমী কঞ্জনবগীদমক... মখা লামায় ৩ কলম ৪

প্রোপর্টি টেক্স বোর্দ শেম্লে, অথুবদা টেক্স খোম্বা হৌরগনি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ঙসিগী মীফমদা ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন হাউসিং এন্দ অর্বান দিবেলপমেন্ট (মাহুদ)কী দিমান্দ খন্নরকপগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ষ্টেটকী প্রোপর্টি টেক্স বোর্দ শেম্লে অমসুং অথুবা মতমদা প্রোপর্টি টেক্স খোমগৎপা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, বোর্দ অসিগী চেয়রমেন অমসুং মেম্বরশিং হাপ্পবা হোৎনরি। চেয়রমেন অমসুং অতৈ মেম্বরশিং হাপ্পবা তুংদা ম্যুনিসিপাল এরিয়াশিংদা প্রোপর্টি টেক্স খোম্বা হৌরগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অহুমগী মথক থংবা ফ্লোরদা হাংলিবা শরুক অসিদা বেঙ্ক, কান্টিন অমদি ফার্ষ্ট এইদ সেন্টর হাংনবা য়ানদুনা লাকখিবনি। পুরানা মার্কেটকী মথক্তা এস বি আই হাংনবা থৌরাং পায়খৎপসু লৈখ্রে। কৈথেলশিং অসি লু-নান্না থম্নবা হোৎনবনি। মসিদা কৈথেল ফম্লিবশিংনসু কোওপরেসন পীবীবা মথৌ তাই। কৈথেল ফম্লিবশিংগী মরক্তগী কেরোসিন ষ্টোভনচিংবা পুশিল্লগা চাক থোংবনচিংবা য়াওরি।

পুলিসনা কেরোসিন ষ্টোভশিং কয়ারক হন্না ফাগৎপসু লৈখ্রে। অদুবু অমুক হেক্তা লৈরগা থোংদুনা লৈরম্মী। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা থবক পায়খৎনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরি। কৈথেল লু-নান্না থম্বা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না হোৎনমিন্নবা য়াম্না মরুওই। তোম্বীসনা হায় স্কুল লৈরম্বা মফম অসিদা মার্কেট অমা শানবা শেল কায়থোরক্তুনা লৈরবনি। কৈথেল শানবা লৈবাক তৌবা হৌরকপদা মীওইবগী শরূ থেংনবদগী পন্থদুনা লৈখি। শরূ ফংবগী কেস অসি সী বি আইদা শিন্নবা মতমদসু সী বি আইগী মায়কৈদগী থিগৎপা ঙম্লরোই হায়না খঙহল্লকপসু লৈখ্রে হায়রি।

তোম্বীস্না স্কুলগী কেম্পস অসিগী মতাংদা মেনেজমেন্ট কম্মিটিনি হায়বা অমনসু কোর্টতা কেস তৌশিল্লকপদগী পন্থনবা মরম অমসু ওইদুনা লৈরি। বাবুপাড়া য়াওনা মফম কয়াদা দ্রেনেজ সিষ্টেম ফৎতনা লৈরিবা অসি

দিমান্দ ৱাইজ দিস্কসন

ফগৎননবা মীৎয়েং চঙগনি। এম এল এ গেষ্ট হাউস লৈরিবা অসিগী অকোয়বগী দ্রেনেজগী ফীভম ফৎতবদগী নোং চুরকপা মতমদা ঈশিং চেনশিন্দুনা খুদোংচাদবা থেংনরিবা অসিদসু দ্রেনেজশিং শেমজিন্নবা য়েংশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দিমান্দ খন্নরকপদা মেম্বরশিংনা থল্লকখিবা কট মোসনশিংগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনা হায়খি, ষ্টেটসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ডোক্তরশিংগী মনুংদা প্রাইভেট হোস্পিটালদা প্রক্টিস তৌবা য়াওবশিং এক্সন লৌখৎনবা মীৎয়েং চঙলি। মণিপুর হেল্থ সার্ভিস রুলসু মতম মতমগী ওইনা এমেন্দ তৌদুনা থবক থৌরাং কয়া লৌখৎলি। পি জি তম্না মহৈরোয় কয়া অমা কোর্স লোইশিল্লক্লবদি ষ্টেটসিদা স্পেসিএলিষ্ট ডোক্তরশিংগী ৱাৎলিবা কয়া অসিদা খরমখৈদি মেনশিনবা ঙম্লগনি। গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা সার্ভিস লিভ পীদুনা ডোক্তর কয়া পি জি কোর্স তমহল্লি। মণিপুর হেল্থ সার্ভিসকী গ্রেট ৱান অমদি গ্রেট টুগী ইমপ্লোয়ীশিংগী অহাংবা পোষ্টশিং মেনশিন্নবগীদমক থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হেল্থ সেক্তরদা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙদুনা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা মেদিকেল কোলেজ লিংখৎনবা থৌরাং লৌখৎলে। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফমুং ৫০ লৈবা হোস্পিটালশিং ফমুং ১০০ দা ওনখৎনবা থবক থৌরম পায়খৎখ্রে। ষ্টেট অসিনা ইফেন্ট মোর্টেলিটি রেট ফজনা চৎপগীদমক মিনিষ্ট্রিনা কেস এৱার্দসু পীরক্লি। ষ্টেট এইদস পোলিসীসু কেবীনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কন্না হোৎনবদগী ষ্টেটসিদা ঐচ আই ভিগী চাং য়াম্না ৱাংলন্বদগী খরমখৈদি হন্থরকপা ঙম্লে। হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং কয়াসু চঙলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিমান্দগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেটসিদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লমদা খুম্মাং চাউশিন্নবা মীৎয়েং চঙলি। মণিপুরদা আই আই আই টি লিংখৎলে। মসি নোর্থ ইষ্টতা অনীশুবনি। এন আই টি, এম আই টি, আই টি পার্কনচিংবা কয়াসু লিংখৎতুনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী লমদা খুম্মাং চাউশিন্নবা হোৎনরি। দি দি ওশিংগী ওফিসশিং কম্প্যুটরাইজ তৌনবা থবকসু পায়খৎপা হৌরে। মখা লামায় ৩ কলম ৭

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা- ৩০.০ দিগ্রী সেলসিয়স
খ্বাইদগী ঈংবা-২২.৫ দিগ্রী সেলসিয়স
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিল-
অয়ুক-চাদা ৭৭
নুংথিল -৮৭
নোংজুগী চাং-১৫.৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা -অয়ুক পুং ৪.৩৪
নুমিৎ তাবা-নুংথিল পুং ৬.০৮

ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ ঃ থা অসিগী ৫দা নিংথেম পুখ্রিদগী শিনা ফংখিবা সনথেম নিমেক্সকী মতাংদা ঙসি নিংথেম পুখ্রি মপালগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগী মীফম অমা ৱাঙ্খেদা লৈবা খুলৈমা ইমাগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অদুদা থোকখিবা থৌদোকশিং হকথেংননা উহৌবশিংনা তম্বা পাউ তারবা তুংদা ঙসিগী মীফম্না মীশি অদু নিংথেম পুখ্রি মপান্দা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা শিখিবা নত্তে হায়না ৱারেপ লৌখি। মসিগা লোয়ননা মখোয় মঙা নিংথেম পুখ্রিদা ইরোয়বা উনহৌখি। মরম অদুনা মীশি অসিগী অচুম-অরানদি লৈবাকসিগী লোনা লেপচরক্কনি হায়না য়ান্নখি হায়রি।

পুলিস রিমান্দ

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ ঃ নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা থোকখিবা মখুরা হাৎপগী থৌদোক্কা মরী লৈননা পুলিসনা ফারবা খুলেম জিতেন (৩৮) ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লবা তুংদা থা অসিগী ১০ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে। মহাক কোর্টতা পুথোরকপদা মপুন্সিচুপ্পগী মীয়াৎ পীয়ু হায়বা খোল্লাউ লাউদুনা মীয়াম থোমজিন্নরকখি।

কেম্পেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ ঃ এক্সন ২০১৫ জুলাই কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটিশিংগা পুনশিন্নদুনা চান্দেল অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা ফাইনান্স অৱার ফ্যুচর অমদি পিপল করেন্সী কেম্পেন হৌদোকখ্রে। থা অসিগী ১৩দা এদিস অবাবাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্দ গভর্ণমেন্টকী মীফমদা সষ্টেনেবল দিবেলপমেন্ট গোলসকা মরী লৈননা খন্নগদৌরিবা মীফম অসিনা কুমজা ২০১৫দগী ২০৩০ ফাওবগী চাউখৎ হিরমশিংদা মতেং পীনবনি হায়রি।

আই-এমগী টেক্স

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ ঃ এন এস সী এন (আই-এম) না টেক্স লৌবগী অয়াবা লৈ, শিংনরকপশিং চৈরাক পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম য়েংশিনবা চুমগনি হায়না এম এল এ, এল ইবোমচানা ঙসি এসেমব্লী মীফমদা জিরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌরগা ফোঙদোকখ্রে। জিরো অৱারগী মতমদা ৱা ঙাঙলদুনা এম এল এ ইবোমচানা হায়খি, এন এস সী এন (আই-এম) না টেক্স লৌবগী অয়াবা লৈ হায়না পাউ-চেদা ফোঙদোরকপা থেংনখ্রে। মসিদা গভর্ণমেন্টনা এন এস সী এন (আই-এম)গী মীওইশিং ফাদ্রিবা করিগীনো হায়নসু ফোঙদোকখি।

FOREX (INDIA RUPEES)	
FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	69.607724
US Dollar	63.472455
British Pound	98.113375
Australian Dollar	47.194604
Chinese Yuan	10.218439
Japanese Yen	0.518398
Malaysian Ringgit	16.622593
Nepalese Rupee	0.626023
Russian Ruble	1.103566
Singapore Dollar	46.813333
South Korean Won	0.056028
Bangladesh Taka	0.81532
Myanmar Kyat	0.05611
Thailand Baht	1.870437

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 26570
Delhi	–	Rs 26620
Kolkata	–	Rs 26650
Mumbai	–	Rs 26600

অস! লোইরেহে!

হয়েং পাউচেদা য়াওরক্লবা ফোটো নম্বা পাউমীগা লাক্লবজাৎলা...!

ꯍꯌꯦꯡ ꯄꯥꯎꯆꯦꯗꯥ ꯌꯥꯎꯔꯛꯂꯕꯥ ꯐꯣꯇꯣ ... !



উ চারাসি কনানা ঈশিং চাইদোইনো!

ꯎ ꯆꯥꯔꯥꯁꯤ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯏꯁꯤꯡ ꯆꯥꯏꯗꯣꯏꯅꯣ !

পুম্লেনপাৎতা সঙাইগী লৈফম শেমগৎপগী অয়াবা লৈতে, খন্নবসু লৈতে : টি ঐচ দেবেন্দ্র

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ পুম্লেন পাৎতা সঙাইগী লৈফম শেমগৎপগী অয়াবা লৈতে হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ দেবেন্দ্রনা ঙসি এসেমব্লীগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লীগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা এম এল এ দ্বিজমনিনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ দেবেন্দ্রনা হায়খি, পুম্লেন পাৎতা সঙাইগী লৈফম শেমগৎপগী অয়াবা লৈতে। হিরম অসিগী মতাংদা খন্নবসু লৈতে। পুম্লেন পাৎকী মতাংদা ৱাহং হংলদুনা এম এল এ দ্বিজমনিনা হায়খি, পুম্লেন পাৎতা সঙাইগী লৈফম শেমগৎপগী মহুত্তা পাৎ অসিগী হান্না লৈজরল্লিবা ফীভম কায়হন্দনা থম্নবা শেমগৎপা চুমগনি। পাৎ অসিদা ঙা নীংথিনা থাদবগা লোয়ননা পাৎ অসিগী ফীভম ফগৎনবা থবক কয়া পায়খৎপা মথৌ তাই। পুম্লেন পাৎ অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা মফম অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমারনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা আর দি মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপানা হায়খি, পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক অসি ফেজ ৯ গী ওইনা ১৭১ অমদি ফেজ ১০ গী ওইনা ১১৩ নি। থবক হৌদ্রিবা অসি ফেজ ৯ গীদা ৮ অদুগা ফেজ ১০ গীদা ৫৪ নি। ফেজ ১০ গী রি-টেন্দর তৌখিবা থবক ১২৭ নি। টেন্দরদা মাইনস থারকপা থবক্তা শীজিন্নদবা শেনফম লুপা ক্রোর ১৭০.৫ নি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ, এল ইবোমচানা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, ইনষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স ওফ টেলিকম্যুনিকেসন ইঞ্জিনিয়ার, য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজি লিংখৎপগী প্রপোজেলগী মতাংদা ষ্টেটকী হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা নো ওবজেক্সন ইসু তৌখ্রে হায়খি।

মাওগী খুঞ্জাশিং নাগামপালদা পোৎ য়োলহন্নবা খঙহনখ্রে : গাইখাঙম

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ মাওদগী পুথোকপা মনা-মশিং, এঞ্জাং-নাপীশিং নাগামপাল অমদি দিঙ্কু রোদতা য়োলহন্নবা আই এম সীদা খঙহনখ্রে। দিঙ্কু রোদতা কৈথেল অমসু শানবা থৌরাং তৌরি হায়না দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ঙসি এসেমব্লী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

মাওগী মনা-মশিং ইম্ফালদা য়োন্নবা থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদা এম এল এ, এল ইবোমচানা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, জুকো ভেলিগী ইসুগী মতুং তারকপদা মাওদা পুথোকপা এঞ্জাং-নাপীশিং নাগালেন্দলোমদা চৎলগা য়োন্নদ্রে। মাওগী মীওই কয়ানা ইম্ফাললোমদা পুরক্তুনা য়োনবা হৌরে। নাগামপাল অমদি দিঙ্কু রোদতা মাওগী পুরকপা মনা-মশিংশিং য়োলহন্নবা আই এম সীদা শিন্নখ্রে। নাগামপাল পরিংদা মাওদগী পুরকপা পোৎলমশিং য়োনবা হৌরে। দিঙ্কু রোদতা লৈবা এপেক্স কোওপরেটিভ সোসাইটিগী গোদাউন লৈরম্বা মফম অসিগী মনাক্তা কৈথেল অমসু শানবা থৌরাং তৌরে। কৈথেল অসি শাবা মতমদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা মফম কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনা এঞ্জাং-নাপী অমদি মনা-মশিংনচিংবা পোৎলম কয়া য়োনবা য়ারগনি।

মাওদগী মনা-মশিং ইম্ফাল তম্না পুরকপদা লম্বীদা মরম চাদনা চেক তৌদুনা... মখা লামায় ৩ কলম ৪

অঙাংদা মীতৈ মমিং থোনবীয়ু : কাখল

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ অঙাংগী মমিং থোনবদা মীতৈগী মিং ওইনা থোনবীনবা কংলা খুন্থোকয়াই অপুনবা লুপলেন (কাখল)গী প্রেসিদেন্ট সৌবাম ইরিকখোন্বা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চীং অমদি তমদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী লাইফম মপানগী লাইনিং চৎপশিংনা খুদুম চন্দুনা থম্বীগনু। য়েলহৌমীগা শাগোন্নরকপা লমগী মমিংবু মীতোপ-মীয়ানচানা খুন্দাশিল্লগা মিং ওন্থোকপা তৌবীগনু। য়োংনা লৌ মপু তানবগী শাজৎ থাদোকসি। উমং লাইগী লাইফমশিংদা চীংঙু লাইগী মিংলেন অমসুং হৌরক ৱারী ইদুনা থেৎপীয়ু। মীতৈগী অমদি উমং লাই খুভমদা থৌগল চঙবদা চগুল অশাংবা ... মখা লামায় ৩ কলম ৬

কোরকোমগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কনভিনরনা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ঃ লালহৌলূপ তরক্লা পুনশিল্লগা শেম্বা কোওর্দিনেসন কমিটি (কোরকোম)গী হয়েং, জুলাই ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কমিটি অসিগী কনভিনর কে ঐচ পাম্বৈনা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

কোরকোমগী কনভিনর অসিনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নীংতম লালদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা য়াওল্লোইশিং, মীচমশিং অমদি য়েক্লবগী মীওৎ-মীনৈদা অশোক-অপন নঙখ্রবা, শোইনাইখ্রবা লান্মী অমসুং মীচমশিংবু অৱাংবা থাক্কী য়াওলগী ইকায় খুম্বা উৎচরি। নুমিৎ অসিদা লৈবাক মীয়াম, মেম্বর-পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং লান্মী পুম্নমক্কী মফমদা য়াওলগী য়াইফ-পাউজেল পীজরি।

ঐখোয়গী লৈপাক্কী মতাংদা পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ঙসি 'মণিপুর' (কংলৈপাক) হায়না খঙনরিবা ইমালৈবাক অসি মৈহৌরোলদগী খুন্দমিন্নরক্লবা ইচিল-ইনাও ওইবা ফুরুপ পুম্নমক্কী অপুনবা লৈপাকনি হায়বসি কোরকোমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ফীরেপনি। অসিগুম্বা অপুনবা লৈপাক অসিদা খুন্দমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী চপ মান্নবা রাইট লৈ অমসুং ফুরুপ পুম্নমক অমনা অমগী তোপ-তোপ্পা শক্তম ইকায় খুম্না অমদি ইমা লৈপাক্কী অপুনবা শক্তম ঙাকমীন্নদুনা পুন্না হিংমিন্নবা, পূন্না চাউখৎমিন্নবা হায়বসি কোরকোমগী যুম্ফম ওইবা ৱাখল্লোননি।

অপুনবা শক্তমগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, ঙসি লৈরিবা 'মণিপুর' (কংলৈপাক)গী অপুনবা শক্তম, হায়বদি লৈপাক অসিগী লমখৈ অমদি মসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী অপুনবা শক্তম, অসি মনিং-মখা তম্না লৈপাক অমা শেমগৎলকপগী লিক্লমচৎতা চহী লিশিং অনী হেন্না শাগোন্নরক্লবা শক্তমনি, ইন্টরনেসনেল রিকোগনেসন লৈরবা লমদম অমনি অমসুং মসিবু ঙাক-শেনবা হায়বসি খুন্দমিন্নরিবা ইচিল-ইনাও ফুরুপ-চা পুম্নমক্কী শোয়ফদ্রবা থৌদাংনি হায়বসি কোরকোমগী ফীরেপনি। অসিগুম্বা থৌদাং অসি পাঙথোকপদা কোরকোমনা মাঙজিন থানা লেপকনি।

মণিপুরনা নীংখা-তম্বগী মতাংদা পল্লদুনা... মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ/শেংদোকচবা

হৌখিবা তাং ০৬-০৭-২০১৫ ইংগী হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা "এম দি এসকী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা খঙহল্লক্লে" হায়বা ৱাফম অদুগী মতাংদা শেংদোকচরি। মদুদি এফ সি আই গৌহাটিগী রিজনেল ওফিসনা চুরাচান্দপুর অমসুং থৌবালদা চেঙ মেঃ টনঃ ২৫০০ চনবা গোদাউন অমমম শানবগীদমক সেঙ্কসন তৌরকখি।

হায়রিবা সেঙ্কসন তৌরিবা শেনফম অসিগী মনুংদা চুরাচান্দপুর অমসুং থৌবালগী পুন্না চাদা ২৮ খক দিপোজিৎ তৌরকখি। দিপোজিৎ তৌরকখিবা শেনফম অদুগী মরী লৈনবা য়ুটিলাইজেশন সার্টিফিকেট, এঃ পিঃ আর অমসুং ভোকচরশিং এফঃ সিঃ আই রিজনেল ওফিস, গৌহাটি অমসুং মণিপুরদা খুৎশিন্নখ্রে। চুরাচান্দপুরগী ওইনা অপুনবা থবক্কী চাদা ৯০ থবক লোইরে অমসুং থৌবালগীসু গোদাউনদি চাদা ৪৫ দি লোইশিল্লে। প্রোটেক্সন ৱাল অমসুং কম্পাউন্দ ফেন্সিংসু লোইরে। রিজনেল ওফিস, গৌহাটিনা হৌখিবা তাং ১২-০৯-২০১৪ ইংদা কৌবা মীটিংদা মরী লৈনবা প্রোগ্রেস রিপোর্ট অমসুং ফোটোনচিংবা পীশিনখি অমসুং মখা তাবা ফন্দ পীরক্নবা হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবা পীরকখিবা লৈত্রি। মরম অদুনা মরী লৈনবা থিকাদারশিংনসু মখোয়গী বিল পীবিদে হায়দুনা মখা তানা থবক শুথদ্রে।

মদুগী ওন্ন-তৈনবদা এফ. সি. আই.না মখা তানা ফন্দ পীরকপগী মহুৎতা থবক লোইশিন্দে হায়দুনা এম. দি. এস. তা এক্সন লৌগনি হায়বা ৱাফম অসি তাইওন্নবা ৱাফমনি অমদি এম. দি. এস. পু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

FCI Godown Thoubal

FCI Godown Thoubal



FCI Godown (Churachandpur)
Land Development

FCI Godown (Churachandpur)
Land Development

Sd/-
Dr. N. Rajendro Singh
General Secretary, MDSEU

HL-P/5678/8